## মণিপুরগী এম এল এ ৬০ মক্না প্রসিদেন্ট খন্নবা মীখলগী ভোট থাদখ্রে

# এমএলএ ৬০ মক্কী ভোট প্রনাব মুখর্জিনা ফংগনি

- *ইবোবী*

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, জুলাই ১৯ঃ*** ঙসি ভারতকী পার্লিয়ামেন্ট, ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি খুদিংমক্তা ভারতকী খ্বাইদগী ৱাংবা পোষ্ট ওইরিবা প্রসিদেন্ট খন্নবগী ভোট থাদনবগুম মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী কম্মিটি রুমদা এম এল এ ৬০ মক্না ভোট থাদখ্রে। ঙসি থাদখিবা এম এল এ ৬০ মক্কী ভোট য়ু পি এনা পুথোকপা মীরেপ প্রনাব মুখর্জিনা ফংলগনি হায়না চিফ মিনিষ্টর ইবোবীনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবদগী মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী কম্মিটি রুমদা ভোট থাদবা হৌখি।

রাজ্য সভাগী সেক্রেটরি জেনরেল ডাঃ ভিভেক কে অগ্নিহোত্রি রিটর্নিং ওফিসার ওইদুনা পাঙথোকখিবা প্রসিদেন্টকী ভোট থানখিবা অসিদা য়ু পি এগী স্পোন্সর কেন্দিদেট প্রনাব মুখর্জিগী ইলেক্সন এজেন্টনা এম এল এ টি এন হাওকিপ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ পি এ সংমাগী এজেন্টনা রোশন মৈস্নামনা ওইখি।

অয়ুক পুং ১০ দগী হৌখিবা ভোট থাদনবা অসিদা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা খ্বাইদগী ইহান হান্না থাদখি। তুংদা স্পিকর টি ঐচ লোকেশ্বর, এম এল এ লন্থোনিনা থাদখি।

নুংথিল পুং ৫ ফাওবা ভোট থাদবগী মতমদগী ঙনখৎনা নুংথিল পুং ১.৩০ দা এম এল এ ৬০ মক্না ভোট থাদবা লোয়শিনখি। ঙসি ভোট থাদখিবা এম এল এ মশিং অসি ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেস (আই এন সি) কী এম এল এ ৪২, ত্রিনামুল কংগ্রেসকী ৭ এম এস সি পিগী এম এল এ ৫, এন পি এফকী এম এল এ ৪, এন সি পি অমদি লোক জনা শক্তি পার্টিগী এম এল এ ১ / ১ নি।

ভোট থাদবা লাকখিবা চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা এসেমব্লি কমপ্লেক্স মনুংদা ভোট থাদবা লোয়রবা মতুং পাউমীশিংগা উন্নবদা ফোঙদোরকখিবদা প্রসিদেন্টকী মীখল অসিদা মণিপুরগী এম এল এ ৬০ মক্না পুন্না প্রনাব মুখর্জিবু শৌগৎপা লৈবনা চামদা চামগী ভোট ফংলগনি। প্রনাব মুখর্জিনা য়াম্না চাওনা ভোট ফংদুনা মায়পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

রুল্লিং-ওপোজিসন খায়দনা এম এল এ ৬০ মক্না প্রনাব মুখর্জিবু পার্টি খুদিংমক্না শৌগৎপবু চিফ মিনিষ্টর ইবোবীনা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।